থম্মোয় পাউদম হুইয়েন ইন্দু

# মনি-মমৌগী ৱারী, লোইনাইদবা

'মনি-মমৌ' হায়না মিংথোনবা, জি সী তোংৱাগী দ্রামাদু য়াম্না মমিং চৎখি হায়। ঐখোয়না অঙাং ওইরিৱৈদই তারকপদুনা, মথোৎ-কারক, পাখঙ ফারকপা মতমদুফাও মমিং অদুম চৎলম্মি। ঙসি নৌনা শান্নদুনা মীয়ামদা উৎলকপদসু মীবু অদুম নুংঙাইহল্লি। মরম ? অইবনা লৌখৎলল্লিবা ইশ্যুদু ঙসিগী মতমসিদসু রিলেভেন্স লৈরম্বদুননি, হায়বদি, মতমসিগসু চানরম্বননি। করিদইনো খঙদে ঙসি, দ্রামা অদু খঙনীং নীংশিংলকই। মরম চাদনা নীংশিংলকপবুদি নত্তে। মরম অমা লৈরিবনি। অদুননি ঐহাক্না ঙসিগী পাউদম ওইনা ইথোল্লগে লেপ্পুরিবা।

মনি-মমৌ হায়বদি মনেম-মমৌ হায়বনি। করিদগী কমদৌনা মনি-মমৌ হায়নখিবনো - মদুমদি ঐ খঙদে তশেংনা। হায়বা নুংঙাইনবা ৱাহৈ-ৱাপা থিবদা থোকখিবা খোন্থোক ওইরমগনি। য়ুম অমগী মৌ ওইনা অতোপ্পা য়ুম্নাক-শাগৈ অমদগী নুপী অমনা ইমুংদুদা লৈররবা হায়বসি অহানবা নুমিৎ খরদি হৌরকফম-হৈনবী মান্নরক্তবগী এদজষ্ট তৌনবা, চুশিন্নবা হোৎনবদা মতম খরা চঙব'দুবুদি হৌনশানি। ইশ্যু নত্তে। ইশ্যু ওইরিবদি মনেম ওইরিবী নুপীদুগা, মৌ ওইরিবী নুপীদুগা অনীসি এদজষ্ট তৌনবা ঙমদবসিনি। এদজষ্টমেন্টসি ঙমদবা - ইমুং অমা অনীখক্কী ৱা নত্তে। মকা ফোংনদবগী ৱানি, ইমুং চাম্মগী মনুংদা মরিফুতরানিপান/মাপনদি মনেমগা মমৌগা য়ানদে। মহী লাঙদবা ইমুং লৈতে। মণিপুরখক্কী ৱা নত্তে, ইন্দিয়াগী মফম পুম্নমক্তা 'সাস-বহু' নুংশিনদবগী ৱারী থেংনৈ, মৈ থাদুনা হাত্তোক্লবগী থৌদোক ফাওবা য়াওরকই। মৈ থাদোক্লবগী থৌদোক্তুমক থোক্রবসু, মৈ হৌরবা ৱাথোক কয়া থোকপগী রিপোর্ট'তুমদি তাই, থেংনৈ লমদমসিদসু। ইন্দিয়াখক্তদা নত্তে, মালেমগী মফম অতৈ, জোইন্ট ফেমিলি লিংবা মফমশিংদসু মান্নবা ৱাথোক থোকপগী ৱারী তাই। মরমসিদগীনি - অমেরিকাগুম্বা চাওখৎলবা মফমশিংদা অখন্নবা ফেমিলি-লো শেম্লকখিবা ... 'লুহোংবা য়াবা চহী মতাঙ য়ৌদনা লুহোংলবা মতৈ-মনাও (নুপা-নুপী) অনীদুদি তোখায়বা য়ুম অমদা তোঙান্না লৈগদবনি, মমা-মপাগী মখা পোন্না লৈবা য়াদে' ...। য়ুম পানখ্রবা (লুহোংখ্রবা) মচা-নুপা নৎত্রগা নুপীনা মমা-মপাগী য়ুমদা শাইদাংদুনা লৈবা তারবা, নৎত্রগনা, মমা-মপা ওইবশিংনা মচা/মমৌগী য়ুমদা লৈরুরবা ... শাইদাংফম লৌরিবা মীশক্তুনা, য়ুম্থু ওইরিবা (মমা/মপা নৎত্রগা মচা)দুদা য়ানবা শেনফম অমা (ভারা ওইনা) পীগদবনি হায়বা আইন (লো) লৈ তাবদা ঐহাক ঙকপনা থেংখি অহানবদা। খন্থরুরগা খঙলকই - শা-ঙা-উচেক-ৱায়াগুম মরন্নাই-মপাঙ্গলনা মচীঞ্জাক থিবা হৈত্রিফাওবা মমানা য়োকপী-থাপীরম্বগী নেচরেল-লো অদু তুংইনবনি, মশাদা য়াওজবা মতিক-মঙম ফুদোকচনবগী থৌনা অদু হাপ্পনি, নুংশি-হৈতবা/চাওখত্তবা মতৌ উৎথোকপা নত্তে। ময়ুম অমা লিংনবা মথৌদাং অদু পাঙবদা লো'না চৈঙাক ওইহনবনি। ঐখোয়' লৈপাকসিদসু অইবা আইন লৈত্রিঙৈ, থৌদাং অদু পাঙনবা চৎনবী অমা শেম্লম্মী। মদুদি - নুপী অমনা লুহোংলকপদা, অচৌবা য়ুম অদুদা অনৌবা য়ুম অমা লিংবদা তঙায়ফদনা চঙবা পোৎলম খুদিংমক, মখল শুনা পীবগী (অওঙ-অউন) তম্বগী চৎনবী। চাকখুম অমা লিংদুনা নুমিৎ খরনিগী চরা নোংখন্নবগী চেঙ-চাক, মনা-মশিং অদু ফাওবা হাপ্পগী চৎনবী শেম্লম্মি। তরেৎ-শেঞ্জা খরসু 'দান' ওইনা পীনরম্মি। ফিসা-লোনসা তৌদুনা শিনফম অমা পাঙনবা পোৎলম ফাওবা হাপ্পরম্মি। চৎনবী অদু কাঙলোন চুম্না ঙাক্তুনা মখা তানা চৎনরম্লবা - মনেমগা মমৌগা নুংশিনদবা, খৎন-চৈন তোয়বগী থৌওং অসি লমদমসিদদি থোক্লমদববু য়াবনি। মরমদি, অসিগুম্বা থৌদোক-ৱাথোকশিংগী হৌরকফমসি - নৌনা লাকপী য়ুমগী মৌ অদুনা ইমুংদুদা পাঙবা শিল্লম-শিন্থা-ৱাঙাং-শাঙাং-হৈনবীনচিংবা ইচম চম্বা মচৎসিদা মনেম ওইবী, হান্নগী য়ুম্থুরেম্বী অদুনা য়ানিংবা/য়ানিংদবা (এসেপ্তেবিলিতি) অদুদগী ওইগল্লি। মনেমদুগী অপাম/পামদ অদু খঙনা মৌ অনৌবী অদুনা চৎপা ঙম্লবা, নৎত্রগা, মৌদুগী মশাগী মচৎ অদুগা চানরম্লবা - মনি-মমৌ অনীদু মমা-মচাগুম নুংশিনগনি। মীঙোন্দা ৱারী শারমগনি -'ইমৌ নত্তে ইচানি'। অদু নত্তদুনা, অনীগী অপাম্বা অমদি হৈনবী তায়োন্নরম্লবা, হায়গনি 'মৌ নত্তে লমশানি'। মশামক্না কোয়থি থিদুনা খোয়দানা লৌরুবী মৌদুসু য়েক্লবা ইমুং অমদগী লাকপগুম শিবা ফাওবা কৌন ঙাঙনখিদবা, মখুৎ চাখিদবা, মরীন খাবী মনেমবোকসু লৈতবা নত্তে।

অসিগুম্বা, 'মনি-মমৌ এদজষ্ট তৌবা হৈতদুনা, নৎত্রগা, য়াদদুনা ইমুং মহী লাঙবা, য়ুম অমগী মনুংদদি লৈমিন্নরগা হন্না ফাওবা য়েংনদবা, হুৎ-ফেৎ তৌনবা মনি-মমৌগী ৱারীসি হৌজিক্তি ইমুং খুদিং লৈবগুম্না তৌরক্লে। অচৌবা সোসল প্রোব্লেম অমা ওইরক্লে। কোজেল ফেক্তর, ৱাথোকসিগী হৌরকফম -মরম অমখক্না ওইদরে। ইমুং অমগা অমগগী মরক্তা য়ানদবসিগী মরম তোঙাল্লে। অদুবু, মাঙলমচৎকী মতমদগী হৌরগা ঙসি ফাওবগী ৱাথোকশিংসি য়েংলুরগা, মনেম-মমৌ নুংশিনদবা খনবগী মরমসি করিনো? পুমসুপ সুপ্না ৱাহৈ পরেং অমখক্না ফোঙদোকপা য়াই। মদুদি - 'ঙসিগী মনেমবোক ওইবী অহলশিংনা মচাগী মমৌ অদুবু, মচানুপী অমগুম খনবা ঙমদবা ... মৌ ওইনা থুংলরিবী অদুনসু মনেমবোক অদুবু মমামক্কি খনবা ঙমদবা' ...। মনেম ওইবীশিংনা, মহাক্কী মচানুপী, অতোপ্পা শাগৈগী মৌ ওইখ্রবীদুগীদমক খনজবা অমদি ৱাজরিবদু, মনাক্তা লৈররবী মমৌদুগীদমক্তি খন'ঙমদে। মতৌ অদুগুম, মৌদুনসু মপুরোইবগী মমাদু মমামক্কি খন'ঙমদে, মপামদা চৎলগা মমাদা ৱাকৎপদুনা মপুক্কিং ঈংজৈ।

ঙসি, পাউদম অসি ইজরুবই মরম অমত্তং ৱাহং ওইনা ফোঙদোকচগে। মমৌদুনা নুংশিজবা মথ্বায়মক্কি খঞ্জবা নুপাদুসু, মমাদুনা হাকনজরিবা, মথ্বায়দই হেন্না নুংশিজরিবা মচাদুসু - মীশক্তুদি অমত্তনি। মীশক অমত্তবু চপ মান্নবা নুংশিজরিবা নুপী অনীদুনা করিগী অসুক নুংশিনদ্রিবা ?

লৌশিং পুক্কে / খোমজিনবা- কৈথেল্লাকপম খুমনঙম্বা

# নুমিদাং মপুঙ ফানা তূম্বনা স্কুলদা অঙাংশিংগী পর্ফোর্মেন্স হেনগৎহল্লি হায়বা খঙলে



নুমিদাং মপুঙ ফানা তূম্বনা অঙাংশিং স্কুলদা পর্ফোর্মেন্স হেনগৎহল্লি হায়না এক্সপার্টশিংনা ফোঙদোক্লি।

অমেরিকান একাদেমি ওফ স্লিপ মেদিসিন (এ এ এস এম) গী হান্না প্রসিদেন্ট ওইরম্বা ডা. ইলিন রোজননা হায়, চহীগী খেন্নবা লৈতনা অঙাংশিং মপুঙ ফানা তূম্লবদি এলর্ট ওইবা, ইনর্জি লৈবা, মুদ অমসুং মশা-মশু ফবা হেনগৎহল্লি।

চহী খেন্নবগী মতুংইন্না চাং নাইনা তূম্বগী চাংসু খেন্ননা মথৌ তাই। মখোয়শিং অদুদি-

- থা ৪ দগী থা ১২ ফাওবগী মনুংদা লৈবা অঙাংশিংনা নুংথিল তূম্বা য়াওনা নোংমদা পুঙ ১২ দগী ১৬ ফাওবা তূমবা মথৌ তাই।

- চহী ১ দগীনা চহী ২ ফাওবগী মনুংদা লৈবা অঙাংশিংনা নুংথিল তূম্বা থারগা নোংমদা পুঙ ১১ দগীনা ১৪ ফাওবা তূমবা মথৌ তাই।

- চহী ৩ দগীনা চহী ৫ ফাওবগী মনুংদা লৈবা অঙাংশিংনা নুংথিল তূম্বা থারগা নোংমদা পুঙ ১০ দগী ১৩ ফাওবা তূমবা মথৌ তাই।

- চহী ৬ তগীনা চহী ১২ ফাওবগী মনুংদা লৈবা অঙাংশিংনা নোংমদা পুঙ ৯ দগী ১২ ফাওবা তূমবা মথৌ তাই।

- চহী ১৩ দগীনা চহী ১৮ ফাওবগী মনুংদা লৈবা অঙাংশিংনা নোংমদা পুঙ ৮ দগীনা ১০ ফাওবা তূমবা মথৌ তাই।

এ এ এস এমগী মতুংইন্না নীংথিনা তূম্বা অমদি মপুঙ ফানা পোথাবা অঙাংশিংগা য়েংনবদা তূম্বা ৱাৎপা অঙাংশিং মহৈ মশিনগী লমদা য়াম্না হেন্না শোল্লী, মরম অদুনা অঙাং খুদিংমক মপুঙ ফানা তূম্বা ফংহনবা য়াম্না মরু ওই হায়রি।

রিছার্সশিংগী মতুংইন্না মপুঙ ফানা তূম্বা অঙাংশিংগা য়েংনবদা তূম্বা ৱাৎপা অঙাংশিং অসি ওজানা লাইরিক তাক্লিঙৈ, লাইরিক পারিঙৈ অমদি করিগুম্বা থবক অমা তৌরিঙৈদা পুক্নীং চোইথোকপা অমদি তাকখিবা পারাশিং নীংশিংবা ৱাবগী চাং য়াম্না হেল্লি হায়রি। তূম্বা ৱাৎপগা এটেন্সন, লমচৎ-শাজৎ অমসুং লাইরিক তম্বদা খুদোংচাদবা মায়োক্লবগা মরী লৈনৈ হায়রি।

নেসনল স্লিপ ফাউন্দেসননা ফোঙখিবা রিপোর্ট অমগী মতুংইন্না করিগুম্বা অঙাংশিংনা স্কুলদা লাইরিক লাইসু তম্বগী লমদা খুদোংচাদবা মায়োক্লরবদি ইমুং-মনুংদা তূম্বগী হৈনবী অদু য়েংশিনবা মথৌ তাই হায়রি। চহী তাঙ্কক খুদিংমক্কী অঙাংশিং প্রি-স্কুলদগী হৌরগা কোলেজ ফাওবা মহৈ-মশিন তম্বগী লমদা ফোকস, কন্সেন্ত্রেসন, পারা ফাবগী চাং অমদি ক্রিএটিব প্রোব্লেম সোলভর ওইনবগীদমক ইনর্জি লৈবা মথৌ তাই। স্কুলদা মায় পাক্লবগীদমক অঙাংশিংনা ঙাইহাক ঙাইহাক্কী খল্লকপা ৱাখলশিংদা পুক্নীং ফাথবা, ইমোসন মেনেজ তৌবা অমসুং লমচৎ-শাজৎ চুম্না চৎপা মথৌ তাই। হায়রিবশিং অসি ঙম্নবগীদমক মপুঙ ফানা অমদি চাং নাইনা তূম্বা য়াম্নমক তঙাই ফদে।

চহী তাঙ্কক খুদিংমক্তা লৈবা মীওইশিংদা তূম্নীংদুনতা লৈগনবগী থৌওং অসি লমচৎ শাজৎ অমদি মহৈ-মশিন তম্বদা অৱাবা ওইহনবা থেংনৈ। অয়ুক নুংথিলগী মতমদা য়াম্না কা হেন্না তুম্মিংগনবা অঙাংশিং অসি তুম্নীংগনদবা অঙাংশিংগা য়েংনবদা মহৈ মশিন তম্বদা, পুক্নীং চঙবা ৱাৎপনচিংবগী খুদোংচাদবা হেন্না থোকই।

কেস কয়াদা থেংনবদা খুদোংচাদবা কয়া থোকহল্লিবসি নুমিদাং থেংনা তূম্বা অসিনা ওই। এক্সপরিমেন্ট অমদা অঙাংশিং চয়োল অমা হান্না তূম্বা মতমদগী থেংথনা তূম্বা চঙহল্লম্মী। অদুগা অতোপ্পা চয়োল অমগা অমুক নোংমদা পুঙ ১০ দগী হেন্না তূমহল্লম্মী। থেংথনা তূম্বা চঙহনবা চয়োল অদুগী মতমদুদা ওজাশিংনা অঙাংশিং অদু মহৈ-মশিন তম্বগী লমদা পুক্নীং চঙদবনচিংবা খুদোংচাদবা কয়া থোকপা থেংনখি। মমা-মপা কয়ানা মখোয়গী অঙাংশিং ঙন্না তূম্বা চঙই হায়না খল্লী। অদুবু ইলিমেন্টরি স্কুল তম্লিবা অঙাংশিংগীদমক্তদি নুমিদাংগী পুঙ ৯ দা তূম্বা চঙবা অসিফাওবা থেংবা চিংলবনি।

অঙাংশিং চাওখৎলকপগা লোয়ননা তূম্নীংগনবা অসিনা স্কুলদা ফেল ওইনবগী মরম অমা ওইরকই। খুদম ওইনা অঙাং ১০০০ রোমদা চথখিবা ষ্টদি অমদা অঙাংশিংগী তূম্বা অমদি স্কুলগী পর্ফোর্মেন্সগী মরমদা থিজিনখি। মদুদা তূমথবা য়াদবা অমদি অহিংদা অমুক্তং ওইরবসু মীৎকপ থোকপদগী তূম্বা ৱাৎপা অঙাংশিং স্কুলগী এচিভমেন্টশিং ফংবদা ৱাবা থেংনখি। শেংনা হায়রবদা অঙাং অমা স্কুলদা ফেল ওইরকপসি অয়াম্বনা অয়ুক্তা হৌগৎলু য়াদবা অমদি অয়ুক নুংথিলগী মতমদা তূম্নীংগনবা অসিনা ওইগল্লি। ন্যু ইংলেন্দা লৈবা হায়স্কুল তম্লিবা অঙাং ৩০০০ দা চথখিবা অতোপ্পা ষ্টদি অমদা ক্লাসতা মার্ক ৱাংনা ফংবা মহৈরোয়শিংনা মার্ক নেম্না ফংবা মহৈরোয়শিংদগী হেন্না নুমিদাংদা ঙন্না তূম্বা চঙদুনা মতম হেন্না তূম্বা থেংনখি। স্কুল চৎপা নুমিৎশিংদা মার্ক ৱাংনা ফংবা মহৈরোয়শিং অদুনা মার্ক নেম্না ফংবা মহৈরোয়শিং অদুদগী মিনিট ১৭ দগী ৩৩ ফাওবগী চাংদা হেন্না তূম্মী অদুগা তূম্বা চঙবসু মিনিট ১০ দগীনা ৫০ ফাওবগী চাংদা ঙনখৎনা চঙই। স্কুল চৎত্তবা নুমিৎশিংদনা অমুক মার্ক নেম্না ফংবা মহৈরোয়শিং অদু হান্না তূম্বা চঙবা মতমদগী পুঙ অনীরোম হেন্না থেংথনা তূম্বা চঙই। মার্ক ৱাংনা ফংবা মহৈরোয়শিংনা হায়রিবা নুমিৎশিং অসিদা হান্নগী মতমদগী পুঙ ১.৮ হেন্না থেংথনা তুমই। মার্ক ৱাংনা ফংবা মহৈরোয়শিংগা ফংদবা মহৈরোয়শিংগগী লৈনরিবা মরী অসি কোলেজ মহৈরোয়শিংদসু চপ মান্ননা থেংনৈ হায়রি।

ষ্টদিশিং অসিদা থেংনরিবশিংসিনা তাক্লিবদি স্কুলদা অঙাংশিংগী পর্ফোর্মেন্স হেনগৎপা অসিগা মখোয়না তূম্বগী মতমগা মরী লৈনৈ হায়বনি। অঙাংশিংবু হেন্না ফহন্নিংলিবনি হায়দুনা তূমগদবা মতমদা কা হেন্না লাইরিক পাহনবগী মহুত্তা মখোয়গী চহী মতাংগী মতুংইন্না মথৌ তাবা তূম্বগী চাং অদু য়ৌনা তূমহনবনা মখোয়গী একাদমিক পর্ফোর্মেন্সতা ফগৎলক্লবগী মরম অমা ওইগনি।

# গান্ধি সনক্লপ জন্ত্র পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্তোবর ০৩ (ঐচ এন এস) : জাতিগী মপা হায়না খঙনরবা মহত্মা গান্ধিগী ১৫০ শুবা মপোক কুমওন থৌরমগা মরী লৈননা থৌবাল মোইজিংদা গান্ধি সনক্লপ জন্ত্র পাঙথোকপগা লোয়ননা গ্রাম স্বরাজ পাদজত্রাকী থৌরমসু পাঙথেকখ্রে।

লৈশাংথেম জিল্লা পরিষদ অমসুং মোইজিং গ্রাম পঞ্চায়ট অনীনা পুন্না শীনবা থৌরম অদুদা লোক সভাগী এম পি, ডা. আর কে রঞ্জন, লৈশাংথেম জিল্লা পরিষদকী মেম্বর অব্দুল লতিফ, মোইজিং জি পিগী প্রধান এম দি ৱারিস, বি জে পি থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী প্রসিদেন্ট এল দেবেন, সোসল ৱার্কর এল বসন্তনা থৌরমগী লেংবিরকপা অথোইবা মীথুং, থৌরম মপু অমসুং অখন্নবা মীথুং ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরমগী শরুক অমা ওইনা ইন্নর মণিপুর পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুসনগী এম পি, ডা. আর কে রঞ্জননা লমথাদুনা গান্ধি সনক্লপ জন্ত্রগী খোঙচৎ অমসু মোইজিংগী অকোয়বদা চৎখি।

মসিগী তুংদা মোইজিং কম্যুনিটি হোলদা পাঙথোকপা গ্রাম স্বরাজ পদ্যাত্রগী থৌরমদা ৱা ঙাঙবদা এম পি, ডা. আর কে রঞ্জননা জাতি অসিগী মপা মহত্মা গান্ধিনা পামজরম্বা খোঙজং চাওখৎনবা, নন ভাইওলেন্স, গ্রাম স্বারাজ, নুপীমচাশিংবু লেম্না মহৈ তমহনবা অসিনচিংবা কয়া অসি মপুং ফানা পাঙথোকপা ঙম্নবা ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা চঙশিল্লিবা খোঙজং অসিদা ঐখোয় পুম্নমক্নসু অচেৎপা ৱাশক অমগা লোয়ননা শরুক য়ামিন্নদুনা হোৎনমিন্নরসি হায়বা ৱাফম মীয়ামদা থমখি।

# নবেম্বর ১০ দা পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৩ (ঐচ এন এস): য়ুনাইটেদ দিভলপমেন্ট এসোসিএসন (য়ু দি এ) খাঙবোক্লা শীন্দুনা চহী অসিগী নবেম্বর ৩ দা ইম্ফাল, খাঙবোক, ককচিং অমদি মোইরাংদা পাঙথোক্কনি হায়না তৌরম্বা ক্লাস থ্রীদগী টেন ফাওবগী ষ্টেট লেভেল মেথ এন্দ সাইন্স কম্পিটিসন অদু নুমীৎসিদা দিরেক্টোরেট ওফ এদ্যুকেসন (এস) না নেসনল টেলেন্ট সর্চ এন্দ ষ্টেট টেলেন্ট সর্চ এগজাম লেপ্পকপনা মরম ওইরগা নবেম্বর ১০ দা ওইনা পাঙথোক্লগনি হায়না য়ু দি এগী সেক্রেটরি এম কহ্নাইনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি। অকুপ্পা মরোল এসোসিএসনগী ওফিসতগী খঙবা য়াগনি হায়রি।

# ঙাশেপ্পম য়ুমজাওনা লৈখিদবদা এম এন এফনা অৱাবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, ওক্তোবর ০৩ (ঐচ এন এস) : মীতৈ নেসনল ফ্রন্ট (এম এন এফ)কী ভাইস প্রসিদেন্টগী ফম পুরম্বা ঙাশেপ্পম য়ুমজাওনা থা অসিগী ২ দা লৈখিদবদা অৱাবা ফোঙদোক্লি হায়না এম এন এফ কংলৈপাক্কী প্রসিদেন্ট সী ঐচ ৱাঙম্বী লৈমনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, কংলৈপাক (মণিপুর) গী সনামহী লাইনিং অমদি লোল ময়েক্কী হিঙ্গৎ ঈহৌদা মাঙজিল থানা কথোকপগা লোয়ননা পুন্সিগী অরোইবা মীকুপ ফাওবা চোকথবা নাইদনা হোৎনরম্বা এম এন এফকী ভাইস প্রসিদেন্টকী ফম পুরম্বা ঙাশেপ্পম য়ুমজাও থা অসিগী ২ দা সগোলবন্দ তেরা কৈথেল খুরাইজম লৈরক্তা লৈবা মশাগী য়ুমদা ইখঙ খঙহৌদনা লৈখিদ্রে। লৈখিদ্রবা ঙাশেপ্পম য়ুমজাও লমদম অসিগী লোল ময়েক চাউখৎনবা হোৎনবদা অমত্তা ঙাইরবা লূপ মীতৈ ইরোল ইয়েক লোয়নশিল্লোন অপূনবা লূপ (মীলাল) গী অনীশুবা লুচিংপুরেল ওইরম্মী। ইন্টরনেসনল ওবজার্ভেসন কম্মিটি ওন পুয়া মৈ থাবগী কো-কনভিনরসু ওইরম্মী। মহাক মশাগী চহী ৮৭ শুখ্রে। মহাক্না লৈখিদবা অসি কংলৈপাক (মণিপুর) গী লোল ময়েক অমদি ইনাৎ লাইনিং চাউখৎহন্নবা হোৎনবদা মেনশিনবা ঙম্লরোইদবা লমদম অসিগী ঙসিগী মীরোল অমদি তুংগী মীরোলগী ওইনা অচৌবা মাঙজবা অমা ওইহৌরগনি।

লুচিংবা অসিনা লৈখিদবদা এম এন এফ ময়াই লোয়শঙ খুরাই সোইবম লৈকায়দা লূপ অসিগী লুচিংবী চিংশুবম ৱাঙম্বী লৈমনা ময়াই তাংবল লৌদুনা লূপকী থৌমী কয়াগা লোয়ননা ঙসি নুংথিল পুং ১ তাবদা মিনট অনী তুমীন্না লেপ্পুনা অৱাবা ফোঙদোকখ্রে। লৈখিদ্রবগী থৱায়না মপুগী লৈকোলদা ঈংনা চিক্লা লৈরুনবা থৌনীরি। ইমুং-মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়ারি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

# ক্রোর ৭ লোমগী দল্লিয়ু ৱাই টেব্লেট, ব্রাউন সুগর ফারে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৩ (ঐচ এন এস): আই জি এ আর (সাউথ) কী মীৎয়েং মখাদা অসাম রাইফলসকী ক্রুপনা খুদেংথাবীদগী মীওই অনী লুপা ক্রোর ৭.২ রোমগী দল্লিয়ু ৱাই টেব্লেট অমদি ব্রাউন সুগরগা কোন্ননা ফারে হায়না আই জি এ আর (সাউথ) কী পি আর ওনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি। জামিনলিয়ন কৌবা মীওই অমনা ইকো ভেন অমা থৌরকপদা খুদেংথাবী চেক পোষ্টতা খামদুনা চেক তৌখি। গাড়ী অদু চেক তৌবদা লুপা ক্রোর ৭.২ রোমগী দল্লিয়ু ৱাই টেব্লেট অমদি ব্রাউন সুগর ফংখি হায়রি।

# ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ৪।১০।২০১৯ ইং, ইরাই , অয়ুক পুং ৯.৩৫ ফাওবা মেরাগী ৬নি পাল্লি, মতুং ৭নি পানগনি।

মেষ : অরাপ্পা মফমদগী কান্নবা ফংবা, নুংঙাইবা পাউ তাজবা অমদি নচা-ননাইগী লম্‌দা পূক্নিং পেঞ্জবা লৈগনি। মীকোক থোংগনি অমদি শান্নবদা মায় পাক্কনি।
লৈশা পাখংশিংগী - ৱারৌনবা লৈখিনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা।

বৃষ : ঙসিসু নীংবা থুংগনি, নক্লবা মীগী মতেং লৌবা য়াগনি, ৱাখল লৈবনা মীগী ৱা ঙাইদনা থৌ পাংবা য়াগনি। নোল্লুকপা অমদি তপথবদি ফৈ-খৎনদনবা।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবা ফংবগী নুংঙাইগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

মিথুন : লাইবক ফগনি, নীংবা থুংগনি, লল্লোন-ইতিক্কী লম্‌দা চাউনা কান্নগনি। অদুবু হকচাংদি ইনুং নুংঙাইরোই, অরং অরাক্কী লম্‌দা পেন্দবা থোকপা য়াই।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশি মরী ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/কিসমিস।

কর্কট : হকচাং নুংঙাইবা ৱাৎকনি অমদি ওইজ-ওইথক ফংবসু ৱাৎকনি-অদুনা হোয়া ফগনু অমদি হেন্না অশা চাউগনু। মরুপ-মপাং লোয়নরগদি মায় পাক্কনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবা ফংজগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা।

সিংহ : মীয়াম্না চানগনি, অনীংবা থবক লাইনা পাংগনি অমদি ফমথোল ফংবগুম নুংঙাইবা লৈগনি। অদুবু মীকোক থোংবদি ৱাগনি অমদি হকচাং নুংঙাইতে।
লৈশা পাখংশিংগী - অশাওবনা মাঙহনগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

কন্যা : মায় পাক্কনি, শেল-থুম কান্নগনি, মীচং হেনগৎকনি অমদি ৱাখল খরদি নুংঙাইগনি। অদুবু চিন শোইরগা শেল মাঙবা য়াবা, পূক্নিংদা চিংনবদি লৈগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - লাইবক ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ নাপু/য়াইঙং।

তুলা : ইকাই নুংশি য়ান্নবা নংবা য়াবা লৈ-ৱাঙাঙ হৈয়ু অমদি মীতোপ কৈদৌঙৈদসু থাজগনু। অদুবু নখা থাবা অমদি মরুপ-মপাংনদি চানগনি। অচুম্বনা মায় পাক্কনি।
লৈশা পাখংশিংগী - অথেংবদা পাউ নুংঙাইগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

বৃশ্চিক : নথক থোংবনা চানবীবা, নীংবা থুংবা অমদি ওইজ-ওইথক য়াম্না ফংবা লৈগনি। ইচং থৌবনা লৈঙাক্কী লম্‌দা মায় পাক্কনি অমদি শেল-থুম ফংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - কাইনবা নংবা য়াবা লৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা/চেঙ।

ধনু : অকিবা লৈতনা মাঙলোমদা চংশিনবা কান্নগনি অমদি নথক থোংবনসু চানবীগনি। অরং-অরাক ফংবগুম নুংঙাইগনি অমদি মীনা থাগৎপিবা লৈগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - চরাংনরদি মাঙজগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা।

মকর : খনবদুমক পাংবা য়াগনি, লাইবক ফবা নুমিৎনি অদুনা পাংঙমদ্রবা থবক পাংহৌবা ফগনি। হায়বা ঙাঙবা মীনা তানীংবা অমদি অচুম্বনা মায় পাকচবা নুমিৎনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নীংবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

কুম্বা : থবক পাংগনি, শেল ফংগনি, য়েৎনবা ঙমগনি অমদি মরুপ-মপাংতা নত্তনা মীয়াম্না য়াগনি। হন্থবা লোয়নগনু অমদি মফম চাদনা ইচং থৌগনু-খৎননি।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবনা য়াম্না চানগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

মিন : খুৎ চাউবা মীপাইবদুম নংগনি, য়েক্লবনা পাঙ্গল্লি অদুনা নোল্লুক্লা চৎলু। থৱায়না তাবা মফমদি ফংজবা অমদি মীয়াম লোয়নরগা নুংঙাইবা হেনগদবা নুমিৎনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবনা লূম্না লৌগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা।

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।

মমি ৱারী

# 'অনটাইটল'

## লাইশ্রম হেনথোইবা









Laishram Henthoiba is currently a Student at National School of Design, Ahmadabad.